# অহানবা য়ুম্লেম্বম বিজেন নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৱিন্নর পবজী য়ুনাইটেদ অঙথানা ওইখ্রে



ইম্ফাল,জুন ১৯ (এস এন এস) ঃ

ফ্যুচর ফুটবোল কোচিং সেন্টর, এফ এফ সি অঙথনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১৮ দগী টিম ২৬ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা লাইট য়ুঠ ক্লব অঙথাগী গ্রাউন্দা চথরকপা অহানবা য়ুম্লেম্বম বিজেন সিংহ নীংশিং সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৱিন্নর পবজী য়ুনাইটেদ অঙথানা ওইখ্রে।

পবজী য়ুনাইটেদ অঙথা অমদি য়ং বোইজ অঙথানা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা পবজী য়ুনাইটেদ অঙথানা য়ং বোইজ অঙথাবু কিক ফোম পেনালটি মাকতা গোল ৬–৫ তা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্কা য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা লাইট য়ুঠ ক্লব অঙথাগী গ্রাউন্দা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্লিং চীংশিনখি।

টিম অনীমক্কা মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা টিমশিংগী ওফেন্সিপ শান্নরোইশিংনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী দিফেন্দরশিংনা নিংথিনা শান্দুনা মেটচ অসিগী কন্টেসতা অদুমক লৈন্নবা হোৎন্দুনা টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙমহনখিদে।

মেটচকী অপীবা মিনট লোয়রমদাইশিংদা টিম অনীনা মায় পাক্লবা গোল চনবা য়াবা তঞ্জা ফংনখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্মাদবদগী মেটচকী অপীবা মিনট লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা অদুমক লৈন্নখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌনবা কিক ফ্রোম পেনালটি মাক কাওন্নবা তাখি। কিক ফ্রোম পেনালটি মাক কাওন্নবদা পবজী য়ুনাইটেদ অঙথানা গোল ৭ কাওবদা ৬তা ওন্থোকখি। অদুগা য়ং বোইজ অঙথানা গোল ৭ কাওবদা ৫ খক ওন্থোক্তুনা মেটচ অসি মায়থিবা নংহৌদুনা টিম রন্নস অপ তাহৌখি।

মায় পাক্লবা পবজী য়ুনাইটেদ অঙথানা কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা চনখিবা গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ রোক্কী, জর্সি নম্বর ৩ অজিৎ, জর্সি নম্বর ১১ বিনাল, জর্সি নম্বর ১৫ সান্তা, জর্সি নম্বর ১৬ জেমস অমদি জর্সি নম্বর ৩১ বিমোলনা চনখি।

মায়থিরবা য়ং বোইজ অঙথাগী কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা চনখিবা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৩ সুরজ, জর্সি নম্বর ৩৩ ঙান্থোই, জর্সি নম্বর ১৭ মলেমঙানবা, জর্সি নম্বর ৭ ওলেন অমদি জর্সি নম্বর ১ প্রেমনা চনখি।

মেটচ অসিদা পবজী য়ুনাইটেদ অঙথাগী জর্সি নম্বর ১৫ ৱাই সান্তা অমদি য়ং বোইজ অঙথাগী জর্সি নম্বর ৪ কিসনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মফমগীদমক ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা এন এফ সি নোঙব্রম অমদি য়াম্বেম এফ সিনা শান্নখিবা মেটচতা এন এফ সি নোঙব্রমনা য়াম্বেম এফ সিবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী এন এফ সি নোঙব্রমনা বোল হেনা পায়রগা শান্নদুনা য়াম্বেম এফ সিগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চথদুনা প্রেসর পীসিন্দুনা লাকখি।

এন এফ সি নোঙব্রমনা হোৎনবা লেপ্তনা শন্নদুনা য়াম্বেম এফ সিগী দিফেন্দরশিংদা কয়ারক হন্না মীপায়বা পোকহন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা শান্নখি।

মদুগী মমল য়াম্লবা মহৈ অদু ফংদুনা মেটচকী মিনট ২৫ চৎপদা এন এফ সি নোঙব্রমগী জর্সি নম্বর ২ ইরাবতনা য়াম্বেম এফ সিগী দিফেন্দরগী অহোবগী তঞ্জা লৌদুনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু এন এফ সি নোঙব্রমনা হৈথোই–শিং থোইবা মতৌদা শান্নখ্রবা মতুংদসু য়াম্বেম এফ সিনা গোল হন্দোক্লবা পীশিনলকখিবা প্রেসরশিং অদু নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা কন্টেস অসিদা লৈনবা হোৎন্নদুনা ইরাবতনা অহানবা হাল্ফতা চনখিবা গোল অদুনা এন এফ সি নোঙব্রমবু টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসন লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা পবজী য়ুনাইটেদ অঙথাদা লুপা লিশিং ৩০ গা লোয়ননা ট্রোফি, রন্নস অপ তাখ্রবা য়ং বোইজ অঙথাদা লুপা লিশিং ২০ গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখিবা এন এফ সি নোঙব্রমদা লুপা লিশিং ১০ গা লোয়ননা ট্রোফি খূৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্টকী তোপ স্কোলরদা পবজী য়ুনাইটে অঙথাগী জর্সি নম্বর ১৩ কে রোক্কীনা গোল ৮ চন্দুনা তাদুনা লুপা লিশিং ১ গা লোয়ননা ট্রোফি, বেষ্ট গোল কিপ্পরনা পবজী য়ুনাইটেদ অঙথাগী জর্সি নম্বর ২৭ টি ঐচ দিপকনা তাদুনা লুপা লিশিং ১ গা লোয়ননা ট্রোফি, বেষ্ট দিফেন্দরনা পবজী য়ুনাইটেদ অঙথাগী জর্সি নম্বর ১৫ ৱাই সান্তানা তাদুনা লুপা লিশিং ১ গা লোয়ননা ট্রোফি, বেষ্ট প্লেয়রনা য়ং বোইজ অঙথাগী জর্সি নম্বর ৭ এন ওলেননা তাদুনা লুপা লিশিং ১ গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা লঙাথেন এফ সিনা তুদুনা লুপা লিশিং ২ গা লোয়ননা ট্রোফি খূৎশিন্দুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা ফোরেষ্ট এন্দ ইন দভাইরেমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম স্যামকুমার সিংহ, রিটিয়দ রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসর কোন্থৌজম মনাওতোম্বী খা–ঙানবা, অন্দ্রো ম্যুনিসপাল কাউন্সিলগী চিয়ার পার্সন য়ুংখ্বাইবম সাজৌ খুমন, অঙথা গ্রাম পঞ্চয়দকী প্রধান থিয়াম মনিহল সিংহ, অন্দ্রো ম্যুনিসপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিলর য়ুংখ্বাইবম সঞ্জোয়, অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী ও সি সোঞ্জাখাপ হাওকিপ, টুলিহল গ্রাম পঞ্চয়দকী ৱাদ মেম্বর তেনশুবম কলাচান্দ, সোসিয়েল ৱাকর খুন দ্রাকপম সোভা, চিঙাকখম সুরেজ, কোঙবম রোমেন, নহাপম সুন দর সিংহ, সনাবম স্যাম সিংহ, নোংথোংম্বম অরুন সিংহ, খুমুজম নবাকুমার, লাইশ্রম বিমোল অমদি নাওরেম বিমোলনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

# টিকেন্দ্রজিৎ নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্টদা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ক্লব মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জুন ১৯ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসেসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা দি এস এ গ্রাউন্দা ককচিংদা টিম ৭না গ্রুপ–৩ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ৯ দগী চথরকপা ৩শুবা টিকেন্দ্রজিৎ নীংশিং অন্দর ১৩ বোইজ ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ক্লব ( এস দব্লিউ সি) কৈরক মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ক্লব ( এস দব্লিউ সি) কৈরক অমদি উয়োক চিঙয়া ক্লব ( য়ু সি সি) ককচিংনা শান্নখিবা মেটচ গ্রুপ–বিগী মেটচতা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ক্লব ( এস দব্লিউ সি) কৈরকনা উয়োক চিঙয়া ক্লব ( য়ু সি সি ) ককচিংবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্লা য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা দি এস এ গ্রাউন্দা ককচিংদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্লিং চিংশিনখি।

টিম অনীমক্কা মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্মদনা মেটচ অসি অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা টিম অনীনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নখ্রবসু হাল্ফ অসিগী মিনট ১৪ চৎপা ফাওবদি গোল চন্নবা ঙমদনা লাকখি।

মেটচকী মিনট ৪৪ চৎপদা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ক্লব ( এস দব্লিউ সি) কৈরককী জর্সি নম্বর ১৭ জোনন্সনা য়ু সি সি ককচিংগী দিফেন্দরশিংগী অহোবগী তঞ্জাদা মেটচকী অহানবা গোল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোথরিবা উয়োক চিঙয়া ক্লব ( য়ু সি সি) ককচিংনা অতেনবা মিনটতা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ক্লব ( এস দব্লিউ সি) কৈরকপু শীংন্নরগা শান্নরক্তুনা অহানবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ৪ কান্নরগা মিনট ৪৮ দা জর্সি নম্বর ১০ রেন্নিদিনা গোল হন্দোক্লগা ১–১ দা মান্না লৈন্নখি।

অদুবু সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ক্লব ( এস দব্লিউ সি) কৈরকনা মখোয়গী মপাঙ্গল চপ চানা ফুদোরক্তুনা গোল অমুক মাঙজিল থারক্লবা হোৎন্নরক্তুনা উয়োক চিঙয়া ক্লব ( য়ু সি সি ) ককচিংবু অমুক খুদুম চনশিন্দুনা য়ু সি সিগী দিফেন্সতা মীপাইবা কয়ারক হন্না পোকহন্দুনা প্রেসর পীশিনলকখি।

প্রেসরশিং অদু য়ু সি সিনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমহৌদবদগী সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ক্লব ( এস দব্লিউ সি) কৈরককী জর্সি নম্বর ১৬ য়োহেনবানা মেটচকী মিনট ৫১ চৎপদা য়ু সি সিগী গোল কিপ্পরবু মায়থিবা পীদুনা মেটচ অসিগী মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

য়ু সি সিনা গোল হন্দোকপা য়াবা তঞ্জাশিং ফংখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমহৌদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নংদুনা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ক্লব ( এস দব্লিউ সি) কৈরকনা য়ু সি সিদগী পোইন্ট ৩ মুনবা ঙমখি।

মেটচ অসি এস লিতনবলা, টি এল অনখুল মরিং, এল দিরিক অমদি স্যামসননা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ১, এষ্টিটেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিং অমদি দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন (দি ৱাই এ) এলাংখাঙপোকপী না গ্রুপ– এগী মেটচ ওইনা শান্নগনি।

# অহানবা ঙাঙোম রঞ্জন নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্টদা শঞ্জেনবম এফ সি অমদি সেক্তা (বি) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৯ (এস এন এস) ঃ

য়ং বোইজ পূখাওনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী টিম ২৮ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা অহানবা ঙাঙোম রঞ্জন মেমোরিয়েল মেন্স ওপন সভেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা প্রি– ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা শঞ্জেবম এফ সি, সেক্তা (বি), ৱাই বি পি (বি) পূখাও অমদি এফ সি লম্লাই মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা শঞ্জেবম এফ সি অমদি বি এস য়ু নোঙপোক ককচিংনা শান্নখিবা মেটচতা শঞ্জেবম এফ সিনা বি এস য়ু নোঙপোক ককচিংবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা শঞ্জেবম এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ এল জোনসননা মিনট ১২ অমদি জর্সি নম্বর ৯ এল প্রেমজিৎনা মিনট ৩৩ দা চনখি।

মেটচ অসিদা শঞ্জেবম এফ সিগী জর্সি নম্বর ৩ এল অজিৎ অমদি বি এস য়ু গী জর্সি নম্বর ৩ পি ঐচ কনন দদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

অনীশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা সেক্তা (বি ) অমদি এস ৱাই সি য়ুম্নাম খুনৌনা শান্নখিবা মেটচতা সেক্তা (বি)না এস সি ৱাই য়ুম্নাম খুনৌবু কিক ফোম পেনালটি মাকতা গোল ৪–৩ দা মায়থিবা পীখি।

অহুমশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ৱাই বি পি (বি) পূখাও অমদি সিনাম কোমনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই বি পি (বি) পূখাওনা তোচ তৌদুনা ৱিন্নর দিসাইদ তৌবদা মায় পাকখি।

মরিশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা এফ সি লম্লাই অমদি ও এফ এ পূঙদোংবমনা শান্নখিবা মেটচতা এফ সি লম্লাইনা ও এফ এ পূঙদোংবমবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এফ সি লম্লাইগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ এম অবোইনা মিনট ১৫, ২৭ অমদি ৪০ দা চনখি। অদুগা মায়থিরবা ও এফ এগী গোল ২ দুনা জর্সি নম্বর ৩ প্রামেশ্বনা মিনট ২৫ অমদি ৩৭দা চনখি।

হয়েংগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটশিংদা য়ৌরবুং অমদি ৱাই এস সি লৈতানপোকপীনা অহানবা , এম এস এফ সি হৈঙাং অমদি দব্লিউ এস সি ঙাইরাংবমনা অনীশুবা, ৱাই এস সি লৌশাংখোং অমদি ৱাই বি পি (এ) হরাওরৌনা অহুমশুবা অমসুং ই য়ু এস সি তেলৌ অমদি নোঙপোক শঞ্জেবমনা মরিশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নগনি।

# টি কে দব্লিউ এ ট্রোফি শান্নরগনি

ইম্ফাল,জুন ১৯ (এস এন এস) ঃ

তেন্থা খোঙবান ৱেল ফিয়ার এসোসিয়েসন (টি কে দব্লিউ এল) তেন্থা খোঙবাননা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১২ দগী মল্টিপেক্স গ্রাউন্দা তেন্থাদা টিম ৩৩ না গ্রুপ–১১ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা টি কে দব্লিউ এ ট্রোফি ২০১৯ মতম খরা লেপলুরবা মতুং ঙসিদগী অমুক শান্নবা হৌরগনি।

ঙসি টুনামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা তাম এফ সি সেক্তা অমদি শম্ফাবী এফ সি সাপমনা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

# জি বি মীটিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জুন ১৯ (এস এন এস) ঃ

ওল মণিপুর বোডি বিল্ডস এসোসিয়েসনগী এন্যুয়েল জেনরেল বোডি মিটিং থা অসিগী ২১ দা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা অয়ুক পুং ৯ তাবদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মীটিং অসিদা এসোসিয়েসন অসিদা এফিলেট তৌরবা য়ুনিটশিংগী মেম্বরশিংনা মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়ানবা এসোসিয়েসন অসিনা খঙহনলক্লি।

# অনীশুবা এস দি এ য়ু ট্রোফি ঃ জি–ফাইব হৈরোক মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জুন ১৯ (এস এন এস) ঃ

সোসিয়েল দিভলর্পমেন্ট এথেলিটিক য়ুনিয়ন ( এস দি এ য়ু) তেকচমনা শীন্দুনা তেকচম হায়স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা টিম ২২ না গ্রুপ– ৭না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৭দগী চথরকপা অনীশুবা সোসিয়েল দিভলর্পমেন্ট এথেলিটিক য়ুনিয়ন ( এস দি এ য়ু ) ট্রোফি সভেন এসাইদ ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা জি–ফাইব হৈরোক অমদি সাপম এফ সি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্টগী মরিশুবা মেটচ ওইনা জি– ফাইব হৈরোক অমদি জুনিয়র ভেটরান তেকচমনা শান্নখিবা মেটচতা জি– ফাইব হৈরোকনা জুনিয়র ভেটরান তেকচমবু য়াম য়াকচন্না গোল ৮–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা জি–ফাইব হৈরোককী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৪ চনখি। অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা গোল ৪ গা চন দুনা পূন্না গোল ৮ চনখি।

অহানবা হাল্ফতা চনখিবা গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ সিতলনা মেটচকী মিনট ২,১০,১২ অমদি ১৮ দা চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা টিম অসিগী অতোপ্পা গোল ৪ অদুনা জর্সি নম্বর ২৭ থোয়বনা মিনট ২৫ অমদি ৪০ দা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ১৭ জেক্লিননা মিনট ৩২ অমদি ৩৫ দা গোল ২ চনখি।

মায়থিরবা জুনির ভেটরান তেকচমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৭ প্রেমকুমারনা মেটচকী মিনট ১৭ চৎপদা চনখি।

টুর্নামেন্টগী ৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা সাপম এফ সি অমদি এস দি ইন্টপ্রাইজেসনা শান্নখিবা মেটচতা সাপম এফ সিনা এস দি ইন্টপ্রাইজেসবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা টিমশিংগী গোল কিপ্পরবু কয়ারক হনা চায়েং তৌদুনা মীপাইহনখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈন্নখি।

মেটচ অসিগী অনীশুবা হাল্ফতা সাপম এফ সিনা মখোয়গী মপাঙ্গল চপ চানা ফুদোরক্তুনা শান্নরকখিবাগী মমল য়াম্লবা মহৈ অদু ফংদুনা মেটচকী মিনট ৩৫ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১০ রিশিকন্তনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চন্দুনা এস দি ইন্টপ্রাইজেসদগী সাপম এফ সিনা পোইন্ট ৩ মুনখি।

# এ এফ সি কর্প ২০১৯ দা চেনাইয়িন এফ সি অমদি মিনরভা পঞ্জাব এফ সি দ্রো চত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে



গুৱাহাটি, জুন ১৯ (এঞ্জেসি) ঃ

এ এফ সি কর্প ২০১৯গী গ্রুপ– ইগী মেটচ ওইনা ঙসি গুৱাহাটিগী ইন্দীরা গান্ধী ইন্টনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা চেনাইয়িন এফ সি অমদি মিনরভা পঞ্জাব এফ সি গোল ১–১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

টিম অনীনা মেটচ অসি দ্রো চৎখিদুনা হৌজিক ফাওবদা চেনাইয়িন এফ সিনা মেটচ ৫ শান্নবদা পোইন্ট ৮ ফংদুনা অনীশুবদা, মিনরভা পঞ্জাব এফ সিনা পোইন্ট ৫ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্লা লম্বা চানা শান্নবদগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি গোল চন্নবা ঙমদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা মিনরভা পঞ্জাবগী সাম্যুএ লালমোনপিয়ানা মেটচকী মিনট ৬২ চৎপদা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোথরিবা চেনাইয়িন এফ সিনা মিনট ৭০ চৎপদা ফ্রান্সি ফ্রনাদেসগী মহুৎত্তা চঙলখিবা মোহমদ রাফিটনা মেটচকী অথেংবা মিনট ৯০ দা অনিরুট থপানা খ্বাইরকপা বোল অদু গোলদা ওন্থোক্তুনা মেটচ অসি মায়থিগদবদগী কনবা ঙমহৌখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা বঙ্গাদেসকী ধকা অবাহনিনা গ্রুপ অসিগী টেবলগী মমৈদা লৈরিবা নেপালগী মনাং ক্লবপু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি। গোলশিং অদু জিবোন, বেলখোদ, রনা, চিচোবা অমদি ইসলামনা চনখি।


## APOLLO TUTORIAL CENTRE

ꯑꯄꯣꯂꯣ ꯇꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ

Moulding Medical and Engineering Career

Admission Open For

| Foundation Course | Apollo - NEET (UG) |
|---|---|
| XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)<br>English Tution - Sunday & Holiday (Morning)<br>Facilities : Free Text Book Sets<br>Special Concession:<br>Meritorious / ST / SC / Govt. Schol / Hosteller / MOBC - Students | Regular Medical Entrance Course 2019-20<br>Intake capacity : Only 25 students per class<br>Special feature :<br>Extensive and intensive teaching - learning system |
| Hostel Fee- Rs 4000/- only (Boys & Girls)<br>Office Timing: 7:00 am - 7:00 pm | Van Service available |
| Class commence : 13th June, 2019 | Class commence : 1st week of July, 2019 |

Pliz contact : Apollo Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal-795001

## LUCKY DRAW

ꯆꯥꯎꯈꯠ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡ

CHAOKHAT KHONGTHANG

| DRAW | DATE | 1st Prize | 2nd Prize | 3rd Prize | 4th Prize | 5th Prize |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st Draw | 07th July 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 2nd Draw | 07th Aug. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 3rd Draw | 07th Sep. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 4th Draw | 07th Oct. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 5th Draw | 07th Nov. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 6th Draw | 07th Dec. 2019 at 11.00 a.m. | Pleasure | Pleasure | Pleasure | Pleasure | TATA Tiago |

6 Months Lucky Draw Started from 7th July,2019 Contribution Amount ₹ 2000/- Per month.

Last Date of form Submission 26th June,2019

অথুবগী ওইনা এজেন্ট ওইবীনিংবা মীওই খরা পামজে

Pliz Contact: 7005162621

SL / B / M / Packd.

Consolation Prizes

Mobile Handset
Telivision
Gas Frame
Mixer Grinder

Tick your choice


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com